# টর্কিগী ঙমখৈ টাউন্দা চত্থরকপা বোম এটেক্তা ২৭ শিখ্রে,১০০ য়ৌনিংচিৎ শোকখ্রে

*অনকারা, জুলাই ২০ঃ*

টর্কিগা সিরিয়াগা তাইনবা ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা টর্কিগী সুরুক টাউন্দা চাউনা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শিখ্রে, অদুগা ১০০ য়ৌনিংচিৎনা শোক্লে হায়না টর্কিগী ইন্টেরিয়ার মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদু কলচরেল সেন্টর অমগী লৈকোলদা জি এম টি গী মতমদা পুং ০৯.০০ তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকপা মতমদা য়ুঠ ব্রার্কর চা কয়ামরুম মফম অদুদা লৈখি হায়রি।

থৌদোক অদু মশা শিজবা বোম্বিং এটেক ওইরম্বা য়াই চিংনবদগী ওফিসিয়েলশিংনা থিজিল্লি। পনবা য়াবদি, সিরিয়াগী কোবানি টাউনগা নক্কনা লৈবা সুরুকতা থা খরগী মমাংদগী সিরিয়ারোমদগী লাঞ্জেল্লকখিবা রিফ্যুজি কয়ামরুম চংজফম লৌদুনা লৈরিবনি।

কোবানি টাউনসু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমদি কর্দিস ফাইটরশিংগী মরক্তা মমাং চহিগী সেপ্টেম্বরদগী কন্না খুৎ থোক্নফম লানবুং ওইদুনা লাকখিবনি। ইস্লামিক ষ্টেটনা টাউন অদু তকখায়খিবা মতমদা টাউন অদুদা লৈরম্বা মীওই অয়াম্বা টর্কিরোমদা লাঞ্জেন্নখ্রবনি।

ফেদরেসন ওফ সোসিয়েলিষ্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন্স (এস জি দি এফ) কী য়ুথ ব্রার্কর কয়ামরুম অমারা কলচরেল সেন্টরদা লৈদুনা কোবানি টাউনগী নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী খোঙথাংশিংদা শরুক য়ারিবনি।



সুরুক্কী কলচরেল সেন্টর অমগী লৈকোলদা পোকখায়বা থৌদোক থোক্ত্রিঙৈ মমাংদা ব্রার্করশিং চাক্লেন চাবগী শক্তম

কলচরেল সেন্টর অসিদা পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা তুংদা ফেদরেসন্না থৌদোক থোকফম অদুগী ওইহৌরিবা ফিবমশিং খুদক্তা গ্রাফিক ইমেজ ওইনা থাগৎলকখি। পোকখায়দ্রিঙৈ মমাংদা লৌখিবা ফোটো অমদসু এস জি দি এফ কী য়ুথ ব্রার্কর কয়ামরুম গার্দেন অদুদা চাক্লেন চাবা উখি হায়রি।

টর্কিগী প্রো কর্দিস ঐচ দি পি ওপোজিসন পার্টিগী সেনিয়ার লো মেকর অমা ওইরিবা পর্ভিন বুলদাননা রুয়টরসতা হায়খিবদা, থোকখিবা থৌদোক অদু সুইসাইদ বোম্বিং এটেক ওইগনি চিংনবদগী লোকেল ওফিসিয়েলশিংনা থিগৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মখা তারদুনা মহাক্না হায়খিবদা, টর্কিস অমদি কর্দিস নহাশিং কোবানিদা লাক্কুনা নুমিৎ হুমনি-মরিনিগী মমাংদগী পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী প্লান্নিং চংশিল্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পোকখায়বগী থৌদোক হেক থোকখ্রবা তুংদা বি বি সি টর্কিস সার্ভিসতগী এনিস সেনরদেমনা হায়খিবদা, থা কয়ামরুম খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা তুংদা কোবানিদি হেন্না লৈতাবা ফিভম অমদা লৈরক্কুনা টর্কিগী এক্টিভিষ্ট গ্রুপশিংনা মীয়ামগী মতেং পাংদুনা নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরমশিং পায়খৎলিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# হিন্দু লাইশঙ অমগী সাইনবোর্দতা নোংমৈনা কাপশিল্লম্লে

*হাউষ্টন, জুলাই ২০ঃ*



য়ু এস কী নোর্থ কেরোলিনা ষ্টেটতা শাগদবা হিন্দু লাইশঙ অমগী প্লান্ট উৎপা সাইনবোর্দ অমদা নোংমৈনা মরু ৬০ রোম কাপশিল্লম্লে হায়বগা লোয়ননা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী পুক্নিংদা চাউনা নুংঙাইতবা পোকহনখ্রবা থৌদোক অসিগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা থিগৎনবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু হৌখিবা থাংজগী নুমিৎয়ুংবা অদুব্রাইদগী নুংথিলগী পুং ১ ফাওবগী মরক্তা থোকখিবনি হায়না ফোর্সিথ কাউন্টি সেরিফকী ওফিসনা থাদোরকপা ব্রারোল অমদা ফোঙদোরকখি।

কনাগুম্বা অমনা শোটগন অমা পায়রগা হিন্দু লাইশঙ অমগী প্লান উৎপা সাইনবোর্দতা মখুল ৬০ রোম কাপশিল্লম্লিবা থৌদোক অসি সেরিফকী ওফিস অসিনা থিজিনবসু হৌখ্রে হায়রি।

দিপ্যুটি অমনা সাইন বোর্দ অদুগী মনাক্তা অহাংবা টোক্লিং কয়ামরুমসু থেংনখি হায়রি।

সাইন বোর্দ অদু নোংমৈনা কাপশিল্লম্বদগী চাউরাক্লা য়ু এস দোল্লর ২০০ রোমগী চাংদা অমাং অতা থোকখ্রে। অদুমকপু থিজিল্লিবশিংনা চিংনবা য়াবা মীওই নত্রগা লিখুন অমত্তা খঙবা ঙমদ্রি হায়না সেরিফ ওফিসকী চিফ দিপ্যুটি ব্রেদ ষ্টেনলিনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, নোর্থ কেরোলিনাগী ওম হিন্দু ওর্গনাইজেসননা স্কোয়ার ফিট ৩৬০০ রোম পাক চাউবা হিন্দু লাইশঙ অমা ক্লেমোন্দসতা শানবা থৌরাং চংশিনবদা মফম অদুব্রাইদা একর ৭.৬ গী লম অমা লৈখ্রবনি।

ওম হিন্দুনা হৌখিবা ইরাইদা থোকখিবা চেরোল অমদা ঐখোয়সু আমেরিকাগী মীয়াম ওইনা নুংশিনদবা কোকহন্নবা, অমগা অমগা য়ানবা হেনগৎহন্নবা অমদি মান্নদবা কাঙলুপ পুন্নমক মশেল ইকায় খুম্মনা অমত্তা ওইনা হিংমিন্ননবা হোৎনরিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুমকপু মতমগী মতুং ইন্না ইশাগী লাইনিং চত্নুনা লমদম অসিদা শান্তি ওইনা হিংবা অমদি মান্নদবা ময়ামগী অপুনবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা য়াগনি হায়বসিদা চিংনবা লৈতে হায়নসু চেরোল অদুদা ফোঙদোরকখি।

সেরিফ ওফিসকী ষ্টেনলিনা হায়খিবদসু ওফিস অদুদা হিন্দু ওর্গনাইজেসন অদুদা লাইনিংগী য়েংদুনা মখল অমত্তগী এটেক মমাংদা চত্থখিবগী পাউ লৈত্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌওং অসি ইচম চম্না ঙাওশিন্নবশিংনা চত্থবা ওইরমগদবা মাল্লি হায়বগা লোয়ননা মফম অদুব্রাইদা পুলিস পেত্রোলিংসু হেনগৎহল্লে হায়না ষ্টেনলিনা ফোঙদোকখ্রে।

ওম হিন্দু ওর্গনাইজসনগী বোর্দ ওফ দিরেক্তরসগী মেম্বর অমা ওইবা মঞ্জুনাঠ সমানানা হায়খিবদা ঙাওশিন্নবশিংনা অতেক-অকায় থোকহল্লম্লবা সাইনবোর্দ অদু মেম্বরশিংনা হৌখিবা থাংজদা সাইট অদুদা চৎলুবদা উরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মদুগী মতুংদগী ওর্গনাইজেসন অদুনা সেরিফকী ওফিস্তা পাউ পীবনি হায়রদুনা থৌদোক অসি থোইদোক্লা নিংবা কায়নিংঙাইন হায়নসু সমানানা ফোঙদোকখি।

# য়ু এস এয়ারস্ত্রাইক্তা শোয়বদা আফগান লান্মী ৮ শিখ্রে



*লোগার, জুলাই ২০ঃ*

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমদা হায়খিবগী মতুং ইন্না কাবুলগী খারোমদা লৈবা প্রোভিন্স অসিদা আর্মি চ্যেক পোইন্ট অমদা য়ু এস এয়ারস্ত্রাইক চত্থরকপদা য়ামদ্রবদা আফগান লান্মী ৮ শিরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল পোবোপ্তা চ্যেক পোইন্ট অদুদা য়ু এস হেলিকোপ্টর অনিনা এটেক চত্থরকখিবনি হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুদা লান্মী কয়ামরুমসু শোকখি। দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খিবদা, হেলিকোপ্টরশিং অদুনা লৈখাদগী ইন্সরজেন্টশিংনা এটেক তৌরকপদগী হন্দুনা কাপখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এরিয়া অদুগী আর্মি কম্মান্দরনা বি বি সি দা হায়খিবদা, চ্যেক পোইন্ট অদুদা আফগান ফিরাল অমা মশক শেংনা য়ুংদুনা লৈরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, লোগারগী মতাইদা লৈবা মফম কয়ামরুম টালিবানগী কন্ট্রোল মখাদা লৈবগা লোয়ননা মফম অসি মপু পান্দবগুম্না লৈরিবনি।

বি বি সি গী দেবিদ লোইন না কাবুলদগী হায়খিবদা বারাকি বরাক দিষ্ট্রিক্তিতা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা চাউনা চয়েৎনবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুব্রাইদা দিপ্লোই তৌবা আফগান রেনফোর্সমেন্ট লান্মীশিংদসু কাপশিল্লকখি হায়না আফগানিষ্টানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমদা ফোঙদোরকখি।

ইন্টরনেসনেল ফোর্সশিংগী ব্রাঙাংলোই অমনা হায়খিবদা, য়ু এস ফোর্সশিং চেন্নবা থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়বা খঙলে হায়রদুনা থিজিনবগী খোঙথাংসু লৌখৎলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ব্রাফম অমনা, আফগানিষ্টান্দা য়ু এস না লুচিংবা ফোর্সশিং ইং ২০০১ দগী হৌনা লৈদুনা টালিবান লুপকা মতম শাংনা মায়োক্নরকপদা কোলিসনগী এয়ারস্ত্রাইকশিংনা মীচমশিং অমদি আফগানিষ্টান লান্মীশিং শিবগী থৌদোক তোয়না থোকপদগী অরুবা ব্রাফম অমসু ওইরকখিবনি।

**সনা-সুদোকু- ৩৭৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 8 | 4 | 7 | 2 | 5 | 6 | 9 | 1 |
| 6 | 5 | 2 | 1 | 3 | 9 | 4 | 7 | 8 |
| 9 | 7 | 1 | 4 | 6 | 8 | 5 | 3 | 2 |
| 4 | 6 | 7 | 3 | 5 | 1 | 8 | 2 | 9 |
| 8 | 3 | 9 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 5 |
| 1 | 2 | 5 | 9 | 8 | 6 | 7 | 4 | 3 |
| 5 | 4 | 8 | 6 | 9 | 2 | 3 | 1 | 7 |
| 7 | 9 | 3 | 8 | 1 | 4 | 2 | 5 | 6 |
| 2 | 1 | 6 | 5 | 7 | 3 | 9 | 8 | 4 |

# লিবিয়াদা ইটালিয়ান ব্রার্কর ৪ কিদনেপ তৌখ্রে

*রোম, জুলাই ২০ঃ*

ইটালিয়ান ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ব্রারোল অমদা লিবিয়াদা ইটালি মচা কন্সত্রক্সন ব্রার্কর মরি কিদনেপ তৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইটালিগী এনি হায়বা ওইল এন্দ গ্যাস গ্রুপ অমনা মপু ওইবা মেলিটাহ এরিয়াদা লৈবা কম্পাউন্দ অমগী মনাক্তা কন্সত্রক্সন ব্রার্করশিং অদু কিদনেপ তৌখিবনি হায়নসু মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, লিবিয়াদা মীরৈবাক মচাশিংদা অকি-অখং পীরকপা অমদি খুদোংথিবা নংবা য়াবগী ফিভমশিং লৈরকপদগী লৈবাক অদুদা ইটালি মচাশিংবু হল্লক্কবা খঙহনবগা লোয়ননা লিবিয়াগী ইটালিয়ান এম্বেসিসু হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা থিংজিনখ্রবনি।

লিবিয়াগী হান্নগী লৈঙাক লুচিংবা মুৱমর গদাফি মফমদগী লৌথোকখিবা তুংদগী লৈবাক অদুদা সিভিল ৱার থোকখিবগা লোয়ননা খুৎলায় পায়বা য়ানদবা ফেক্সনশিংগী মরক্তা চহি মরিরোম মশেল খুৎ থোকক্ক বগী থৌদোকশিংনা কাং-খোং চাইহন্দুনা লাক্লিবনি।

ইটালিগী ফোরেন মিনিষ্টর পাউলো জেন্টিলোনিনা ইটালিয়ান মেদিয়াদা হায়খিবদা, হৌজিকমক্কী ওইনদি শিন্মীশিং ফাখিবদু কনাগী থৌদাং ওইগদগে খঙনবা হোৎনবদা মতম ঙনমল্লি হায়না ফোঙদোরকখি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীটিং অমগী নাক ওইনা ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা হায়খিবদা, থাউ, গ্যাস অমদি ইনর্জি সেক্তরদা সার্ভিস চত্থবা ভোনাটি হায়বা কম্পেনি অমনা শিন্মীশিং অদু নেকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

শিন্মীশিং অদু ঙরাং য়াচংবদা টুনিসিয়াদগী হল্লকপগী লম্বীদা কিদনেপ তৌখিবনি হায়নসু ইটালিগী লা রিপাব্লিকা পাউচেনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, লিবিয়াদা য়ানদবা গভর্নমেন্ট অনিনা লমগী কন্ট্রোল হেনগৎনবা কন্না হোৎনবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়াবা গভর্নমেন্টনি হায়হন্নবা হোৎনরিবনি।

মরকসিদা লৈবাক অদুদা ইস্লামি ষ্টেট গ্রুপসু থোইদোক্লা এক্টিভ ওইনা ওপরেট তৌরিবনি। নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা মার্চ থাদসু আই এস না মীরৈবাক্কী ওইল ব্রার্কর মাপল কিদনেপ তৌবগী থৌদোক অমা থোকখিবনি।

# য়ুরোপনা ইরানিয়ান ন্যুক দিল শৌগৎখ্রে

*ব্রুসেলস, জুলাই ২০ঃ*

ৱার্ল্ড পৱারশিংগা ইরানগা অনিগী মরক্তা শেমখ্রবা ন্যুক্লিয়ার দিল অদু য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন্না ঙসি শৌগৎপগী ব্রারোল ফোঙদোকখ্রে হায়বগা লোয়ননা মসিনা ইরানগী মথক্তগী ইকোনোমিক সেঙ্কসনশিং লৌথোকপগী অহানবা খোঙথাং অমসু ওইরগনি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ন্যুক দিল অদুবু শৌগৎখিবগা লোয়ননা মান্নবা মওংদা য়ু এস কংগ্রেসনসু থবক লৌখৎলকপা হৌরগনি হায়বগী থাজবসু ব্লোক অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস কংগ্রেসতা মান্নদবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লরিবা অদুদা পান্দম তৌরদুনা থাদোরকপা মেসেজ অমদা ব্রুসেলসতা উন্নখিবা ঈ য়ু ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা হিরম অসিদা মসিদগী হেন্না ফবা পোরম অমত্তা লৈতে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা শেম্বা ঙমখিবা ন্যুক দিল অদু ইজরেলগী মায়কৈদগীদি কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

ফ্রেঞ্চ ফোরেন মিনিষ্টর লোরেন্ট ফেবিয়সনা হায়খিবদা, ইরাননা এটোমিক বোম অমা শাররোই হায়বগী ব্রাহণ্ডোক য়াওরবা খল চারবা দিল অমনি হায়নসু ন্যুক দিল অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

অদুগা ভিয়েনাদা দিল অসিবু কুপ্না য়েংলবা তুংদা ইরাননসু লৈবাক অদুগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামদা লিশাংশিংনা তপ্না তপ্না হন্থহনবদা য়াখ্রবনি। নোংচুপ লৈবাকশিংনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম অসি এটোমিক বোম অমা শানবা পান্দমদা চত্থবনি হায়না চিংনরবসু টেহরাননদি প্রোগ্রাম অসি শান্তিগী থৌরাংখক্তগীনি হায়না ফোঙদোক্কুনা লাকখিবনি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ভোট অমা পাঙথোক্কুনা দিল অসিবু চপ চানা চৎনবা হৌদ্রিঙৈ মমাংদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননদি য়ু এস অমদি য়ু এন সু য়াওনা টেহরানগী মথক্তা থল্লম্বা সেঙ্কসনশিং তানফম নাইনা লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রবনি।

একোর্দ অসি শেম্বদা য়াওখিবা ৱেষ্টর্ন ওফিসিয়েল অমনা হায়নখিবদা, অকক্লবা তাঙ্ককশিং অমদি দিল অদুগী ৱারোলশিং ঙাক্লা চৎলি হায়বগী ভেরিফিকেসন মওং চুম্না চংশিনবদা ইরাননা ন্যুক্লিয়ার বোম অমা শাররোই লৌবা য়ারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুমকপু ইরানগী মথক্তা বেলিষ্টিক মিসাইল টেক্নোলোজি ফংহনবদা থমখিবা অথিংবা অমদি হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা সেঙ্কসনশিংদি অদুমক লৈখিগনি হায়না ঈ য়ু দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱেষ্টর্ন ওফিসিয়েল অদুনা হায়খিবদা, ঐখোয়না পাম্বদি ইরানিয়ান সিভিলিয়ান ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম অসি মালেমগী কোওপরেসনগা চুশিন্নহনবা অদুনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

# দেমি মুরগী স্বিম্মিং পুলদা নুপা ১ শিরম্লে

*লোস এঞ্জেলিস, জুলাই ২০ঃ*

মশক মমিংদি ফোঙদোক্ত্রিবা মশাগী চহি ২১ রোম শুরবা নুপা অমা ঙরাং অয়ুক য়ু এস কী শক্নাইরবী এক্ট্রেস দেমি মুরগী স্বিম্মিং পুলদা শিনা লৈরম্বা থেংনরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।



শক্নাইরবী এক্ট্রেস দেমি মুরগী লৈফমদা পুলিসনা য়েংশিনবা লাকপা অমদি দেমি মুর (ইন্সেট)

লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা এক্ট্রেস অসিগী য়ুমগী স্বিম্মিং পুলদা নুপা অমা ঈরাক্নদুনা শিরম্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখি। বি বি সি গী পাউ অমদা হায়খিবদসু মশাগী চহি ২১ রোম শুরবা নুপা অমগী অশিবা হকচাং অদু স্বিম্মিং পুল অদুদা তাউদুনা লৈরম্বনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক থোকপা মতমদদি মশাগী চহি ৫২ শুরবা মুর অমদি মহাক্কী অঙাং অহুমদি মফম অদুদগী লাপ্না লৈরম্মী হায়রি। পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবসু হৌখ্রে।

লোস এঞ্জেলিস টাইমস পাউচেদা পুলিস ওফিসার অমনা হায়খিবদা, বেভরলি ক্রেষ্টকী মনাক্তা লৈবা দেমি মুরগী য়ুমদা অশিবা অমা লৈরে হায়বগী পাউ লোকেল টাইমদা ঙরাং অয়ুক পুং ৫.২০ অদুব্রাইদা ফংখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

পুলিসনা মফম অদু য়ৌখিবদা পেরামেদিকশিংনা স্বিম্মিং পুলগী মপান্দা নুপা অদুবু ট্রিটমেন্ট পীরম্বা থেংনখি হায়রি। অদুমকপু ইকান কান্নদনা মীওই অদু শিরে হায়না পেরামেদিকশিংনা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

লিখুন খরগী ব্রারোল পল্লদুনা টি এম জেট হায়বা সেলেব্রিটি ৱেবসাইটনা ফোঙদোকখিবদা, শক্নাইরবী এক্ট্রেস অসিগী য়ুমদা পার্টি অমা পাঙথোকখি হায়রদুনা নুপা অদু স্বিম্মিং পুল অদুদা তাশিল্লবা তুংদা ঈরোইবা হৈতবদগী ঈরাক্নখিবা ওইরমগনি খন্নরি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, য়ুম অদু দেমি মুরনা মহাক্কী হান্নগী মপুরোইবা এষ্টন কটচরগা শেল পুথোকমিন্নদুনা লৈখিবনি। হোলিৱুদতা মতম অমদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা ওইরম্বা এক্ট্রেস অসি এষ্টন কটচরগা লুহোংদ্রিঙৈ মমাংদা হান্না ক্রুস ৱিলিসতা লুহোংখিবনি।


**RESOURCE TUTORIAL CENTRE**

KHURAI LAMLONG BAZAR, OPP KHURAI GIRLS' HIGH SCHOOL

**CBSE CLASS IX & X**

**SA 1 - REVISION COURSE**

Subject: Maths, Sc, & S.Sc.

**CLASS STARTS : Monday, the 6th July, 2015**

Timing: MORNING : 4:45 a.m. to 7.00 a.m.
EVENING : 4:30 p.m. to 7.30 p.m.

Admission Form will be available from 9 a.m. to 6 p.m.

Please Contact: 8415923747 / 9402002625


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-380**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 4 | | 1 | 3 | |
| 6 | | 3 | 7 | | | | | |
| 1 | | | | 8 | | | | 7 |
| | | 2 | | | 9 | | | |
| | 3 | | 6 | | | | | |
| | | | 1 | | | 2 | | |
| 9 | | 7 | | 5 | | | | |
| | | | 8 | | 2 | 9 | | |
| 2 | 4 | | | 6 | | | | |


**DIRECT ADMISSION 2015-16**

**"NO DONATION"**

Easy instalment reputed Colleges in India

ENGINEERING :-
- ECE
- CIVIL
- MECHANICAL
- EEE
- CSE & MORE

MEDICAL :-
- MBBS
- BDS
- MDS
- B'SC. NURSING
- M'SC. NURSING
- PHARMACY & MORE

OTHERS COURSE :-
- MBA
- BBA
- BCA
- MCA
- B'SC. (ALL BRANCH)

FOR FURTHER ENQUIRY CONTACT &
VISIT CAREER SOLUTION
*PALACE COMPOUND IMPHAL EAST*
*MAHABALLI ROAD NEAR BOAT & ADVANCE HOSPITAL*
*Contact No. 8730910588/8014080074*

**COMPREHENSIVE CONCEPT SCHOOL**

A Co-educational Higher Secondary School ,Affiliated to the Council of Hr.Sec.Edu.Manipur.
Sangaiprou,Northern side of Imphal Airport,Imphal
Near MI Ford and Sangai Honda

RANK HOLDERS OF HSLCE 2015 . Admitted to our School



RANK :14 NAME: Nehhon Yumnam | RANK:17 NAME: Y. Sadananda | RANK: 22 NAME: Ng. Hemanta | RANK:25 NAME:Ksh.Nanaoba Singh

ADMISSION OPEN FOR CLASS XI SCIENCE
LAST DATE OF FORM SUBMISSION 24TH MAY, 2015

Date of Entrance:25th May 2015.

Eligibility

At least 45% marks in aggregate in HSLC Exam/ 6.0 CGPA in AISSE or equivalent exams.

Special Features

1. Direct Admission:For students securing 70% and above in aggregate on or before 22nd May 2015
2. First fifty students securing 80% and above or 10 CGPA :Free admission,free tuition fee,free uniform and free coaching classes.

ADVANTAGES

1. Super Batch- An advanced course for medical and engineering entrance examinations for the first time in Manipur.
2. Study materials - Free study materials well prepared by expert faculty members for IIT, JEE/ AIPMT. The study materials are designed and updated containing last 15 years Questions and solutions suitable for latest Competitive examinations.
3.Career Circle-All informations and application forms for national level examination are available from this school.It is a unique feature of our school. Contact No: 7308241508